# নাগালেন্দদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ৩০৯ থেংনখ্রে

কোহিমা, মে ০৭ (এজেন্সী):

হন্দক চহীগী ওইনা নাগালেন্দদা অহানবা ওইনা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ৩০৯ থেংনখিবগা লোয়ননা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ১ শিহনখ্রে হায়রি।

নৌনা থেংনখ্রবা কোভিদ-১৯ গী কেস ৩০৯ অদুগী মনুংদা ২০০ না দিমাপুরদা থেংনখিবনি। ৬৩ না কোহিমাদা, ৩২ না মোনদা, ৯ না মকোকচুংদা, ৩ না ফেকতা অদুগা ২ না জুনহেবোটোদা থেংনখিবনি হায়না নাগালেন্দ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের মিনিষ্টর এস পাংয়ু ফোমনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা নাগালেন্দদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা শোকহনখিবা অপূনবা মশীং ১৫,৫৮০ শুখ্রে। মদুগী মনুংদা মীওই ১১২ শিখ্রে। হৌজিক হৌজিক ষ্টেট অদুদা কোভিদ-১৯ গী এক্তিভ কেস মশীং ২,৪৩৩ লৈরি।

হৌখিবা পুং ২৪ দা লায়না লাইচৎ অসিদগী মীওই ১১২ রিকোভর তৌখ্রে। রিকোভর তৌখ্রবশিং অদুদি দিমাপুরদগী ১০২, কোহিমাদগী ৯ অমসুং পেরেনদগী ১ নি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়না লাইচৎ অসিদগী পুন্না মীওই ১২,৫৪০ মপুং ফানা রিকোভর তৌবা ঙমখ্রে।

অমরোমদা ৱোখা দিষ্ট্রিক্ট টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯ না দিষ্ট্রিক্ট অদুগী দিপ্যুটি কম্মিস্নারগা উন্নরবা মতুং রেন্দম ওইনা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবগী থবক চখনবা খন্নখ্রে। গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিংদা ষ্টেট অদুগী মীয়াম্না মপুং ফানা মতেং পাংনবা অমদি গভর্ণমেন্টনা শেমখিবা এস ও পিশিং ঙাক্না চৎনবা খঙহল্লক্লি।




কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রবা ৱাংখেম এ সীগী চরাংপাৎ মনিং লৈকায় অমদি কিয়াম ৱাংমা তাবগী য়ুমথোং কয়াদা মমাং চহীদা কন্সটিট্যুয়েন্সি অদুদা এল জে পিগী মীরেপ ওইখিবা কে জদুমণিনা চেঙ, আলু, থাউ-থুমনচিংবা মরু ওইবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবা

# গৌহাটি য়ুনিভর্সিটিগী য়ু জি অমসুং পি জি এগজামশিং ওন লাইনদা পাঙথোক্লগনি



গুৱাহাটি, মে ০৭ (এজেন্সী):

অসামদা কোভিদ-১৯ গী ফীভম লেপ্তুনা লুশিল্লকপদগী গুৱাহাটি য়ুনিভর্সিটিনা মসিগী য়ু জি অমসুং পি জি এগজামশিং ওন লাইনদা পাঙথোক্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।

ৱারেপ অসি য়ুনিভর্সিটি অসিগী ওথোরিটিশিংনা ষ্টেকহোল্ডর খুদিংমক্তা তান্নরবা মতুংদা লৌখিবনি। য়ুনিভর্সিটি ওথোরিটিশিংনা ষ্টেকহোল্ডরশিংগী তান্নখিবা মীফম অদু হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা পাঙথোকখি। মীফম অদু য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভাইস চাঞ্চেলর প্রোফেসর প্রাটাপ জ্যোটি হন্দিকনা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখি।

মীফম অদুদা গৌহাটি য়ুনিভর্সিটি টির্চর্স এসোসিয়েসন, অসাম কোলেজ প্রিন্সিপালস কাউন্সিল, অসাম কোলেজ টির্চস এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরিশিং অমসুং গৌহাটি য়ুনিভর্সিটিগী টিচিং দিপার্টমেন্টশিংগী মকোকশিং, য়ুনিভর্সিটি লো কোলেজগী প্রিন্সিপাল জি য়ু আই এস টিগী দিরেক্তর, য়ুনিভর্সিটি অসিগী রেজিষ্ট্রার অমসুং কন্ট্রোলর ওফ এগজামিনেসন্না শরুক য়াখি। হীরম অসিগী মতাংদা য়াম্না কুপ্না খন্নরবা তুংদা হৌজিক ফাওবা পাঙথোক্তনা লৈরিবা এগজামিনেসন খুদিংমক শুপ্নগী ওন লাইন মোদতা ওপন বুক সিষ্টেমদা পাঙথোক্নবা ৱারেপ লৌরে হায়না রেজিষ্ট্রারনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।


# ‘কোভিদ-১৯ থেংনবনা হেন্না মরু ওই’

গুৱাহাটি, মে ০৭ (এজেন্সী):

অসামগী মথংগী সী এম কনানা ওইগদগে হায়বগী মতাংদা খন্নবগী মহুত্তা কোভিদ-১৯ থেংনবনা হেন্না মরু ওই হায়না ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর সরবানন্দা সোনোৱালনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

মে ২ দা অসামগী এসেমব্লি মীখলগী রিজল্ট লাউথোকখ্রবা মতুংদা সোনোৱালনা অনৌবা গভর্ণমেন্ট শেন্দ্বগী মতাংদা ৱা ঙাঙবসি মসিনা অহানবনি। সোনোৱালনা হায়খি মদুদি অসামদা বি জে পিনা গভর্ণমেন্ট শেমগনি মসিগী মতাংদা করিমতা ৱানিংঙাইলৈতে। তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না খ্বাইদগী মরু ওইনা পায়খৎকদবা থবক্তি অসামগী মীয়াম্বু কোভিদ-১৯ দগী ঙাকথোক্নবা হোৎনবা অসিনি। নুমিৎ খরনিগী মনুংদা গভর্ণমেন্ট শেন্দ্বগী মতাংদা ৱারেপ লৌরগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

## CROSSWORD-3773



**ACROSS**

1 Young geese (8)
6 Meat from a pig (3)
9 Entertain (5)
10 Make wider (7)
11 Herb (7)
13 Waterside plants (5)
14 Slow down (6)
15 Set of clothing (6)
19 Arbiter (5)
21 Junkies (7)
22 Polish national dance (7)
23 Expertise (5)
24 Unmatched (3)
25 Not easily satisfied (8)

**DOWN**

2 Wealthy, luxuriant (7)
3 Untruth (3)
4 Take small bites (6)
5 Give a guided tour (4,5)
6 Be evasive (5)
7 Collieries (5)
8 Fourth sign of the zodiac (6)
12 Bones of the spinal column (9)
16 Invented narrative (7)
17 Struggle (6)
18 Central American canal (6)
19 Large passenger aircraft (5)
20 Stupefied (5)
23 Solidify (3)

**Solution 3772**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | T | R | I | D | E | N | T | | P | I | N | T |
| W | | E | | I | | O | | | | N | | R |
| E | S | S | E | X | | R | E | G | A | T | T | A |
| A | | T | | I | | W | | L | | E | | I |
| T | A | F | F | E | T | A | | A | A | R | O | N |
| | | U | | | | Y | | D | | | | E |
| C | A | L | I | C | O | | B | E | A | V | E | R |
| O | | | | R | | B | | | | I | | |
| M | O | O | S | E | | I | N | F | A | N | T | S |
| I | | M | | A | | K | | I | | T | | C |
| C | H | E | Z | M | O | I | | L | U | N | A | R |
| A | | E | | | | N | | C | | E | | E |
| L | O | S | T | | H | I | G | H | B | R | O | W |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

# মে ১০ দগী ইটানগরদা লোকদাউন থম্নবা ফিরেপ লৌখ্রে

ইটানগর, মে ০৭ (এজেন্সী):

অরুনাচল প্রদেশক গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অদুগী তোঙান তোঙানবা মফম খরদা কোভিদ-১৯ শন্দোরক্লিবা অদুগী য়েংলগা মরু ওইনা ইটানগর কেপিটেল রিজনদা মে ১০ দগী হৌরগা লোকদাউন থম্নবা ফিরেপ লৌখ্রে।

মে ১০ দগী হৌরগা চয়োল অমা চুপ্না চথগদবা লোকদাউন মনুংদা মীয়াম্না য়ুমদগী মপান থোক্তনবা অমদি গভর্ণমেন্টকী চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্না চৎনবা হোৎনগদবনি। অরুনাচলদা মরু ওইনা ইটানগর, নহরলগুন অমদি বন্দরদেৱাদা কোভিদ-১৯ কা হেন্না শন্দোক্লি। মসিনা মরম ওইরগা তঙাইফদনা মফমশিং অদুদা লোকদাউন থম্নবা ফিরেপ লৌখিবনি হায়না ইটানগর কেপিটেল রিজনগী দিপ্যুটি কম্মিস্নার টালো পোটোমনা ফোঙদোরকখি। লোকদাউনগী মতম অসি কন্দিসনগী মতুং ইন্না শাংদোকপা নৎত্রগা তেনশিল্লকপা য়াই। ইটানগর কেপিটেল রিজনগী মফম অয়াম্বদসু ঙরাংদগী হৌরগা কন্টেনমেন্ট জোনশিং লাউথোকপা হৌখ্রবনি। ইটানগর কেপিটেল রিজন নত্তনা অতোপ্পা মফমশিংগী ওইনদি নুমিদাং পুং ৯ দগী অয়ুক পুং ৫ ফাওবা কর্ফিয়ু লৈগনি।

# চহী ১৮-৪৪ ফাওবগী মীওইশিং কোভিদ ভেক্সিন লেম্না কাপকনি

আইজোল, মে ০৭ (এজেন্সী):

মিজোরামদা লৈবা চহী ১৮ দগী ৪৪ ফাওবগী মীওইশিংদা কোভিদ-১৯ গী ভেক্সিন লেম্না কাপকনি হায়না মিজোরাম হেল্থ মিনিষ্টর ডো আর লালথাংলিয়ানা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট অদুদা কোভিদ ভেক্সিনগী অৱাৎপা লৈবনা মরম ওইরগা মীপুম খুদিংমক্তা মপুং ফানা হীদাক কাপ্পা ঙমদ্রি। ষ্টেট অদুদা চহী ১৮-৪৪ গী মনুংদা লৈবা মী মশীং অসি চাওরাক্না লাক্ষ ৫ রোম ওইগনি। কোভিদ ভেক্সিন পুথোক্লিবা কম্পনিদা ষ্টেট অসিনা মাঙজৌননা হীদাক ওর্দর তৌখ্রে।

হায়রিবা চহী ১৮-৪৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিং অসিদা কোভিদ ভেক্সিনেসন দ্রাইভ করম্বা মতমদা হৌগদগে হায়বা ফোঙদোকপা লৈত্রবসু অথুবা মতমদা কাপ্পবা হোৎনরগনি হায়রি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা ষ্টেট অসিনা লুপা ক্রোর ৩০ হেন্না কোভিদ ভেক্সিন লৈবদা চাদিং তৌখ্রে। ষ্টেট অদুদা অহানবগী ওইনা মীওই ২,২৩,৮০৫ তা অহানবা দোজ কাপখ্রে। অদুগা ৪১,৩৭০ না অনীশুবা দোজ কাপখ্রে হায়রি।

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3572**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | | | | 3 | | | | |
| | | | 2 | | | | | 7 |
| 1 | 4 | | | 6 | 7 | 3 | | |
| 2 | | | | | 5 | | | |
| | 1 | 3 | | | | 9 | 2 | |
| | | | 3 | | | | | 4 |
| | | 5 | 9 | 8 | | | 7 | 6 |
| 8 | | | | | 2 | | | |
| | | | | 7 | | | | 3 |

**Solution-3571**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 5 | 2 | 7 | 8 | 1 | 9 | 3 | 4 |
| 8 | 7 | 9 | 4 | 6 | 3 | 1 | 5 | 2 |
| 4 | 3 | 1 | 9 | 2 | 5 | 7 | 6 | 8 |
| 7 | 9 | 3 | 8 | 4 | 6 | 2 | 1 | 5 |
| 1 | 6 | 4 | 2 | 5 | 7 | 8 | 9 | 3 |
| 5 | 2 | 8 | 1 | 3 | 9 | 4 | 7 | 6 |
| 9 | 4 | 6 | 3 | 7 | 2 | 5 | 8 | 1 |
| 2 | 1 | 5 | 6 | 9 | 8 | 3 | 4 | 7 |
| 3 | 8 | 7 | 5 | 1 | 4 | 6 | 2 | 9 |

# মিজোরাম গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ীশিংনা কোভিদ-১৯ থেংনবদা মতেং ওইনবগীদমক নোংমগী তলব দোনেট তৌখ্রে

আইজোল, মে ০৭ (এজেন্সী):

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা অকনবা চৈথেং পীরক্লি। অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদসু লায়না লাইচৎ অসিনা মখা তানা অকনবা চৈথেং পীবা হৌরক্লি।



লায়না লায়চৎ অসিবু মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা কন্ত্রোল তৌনবা হোৎনবদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অদুদা মতেং ওইনবগীদমক মিজোরামদা থবক তৌরিবা গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ীশিংনা মখোয়গী নোংমগী তলব দোনেট তৌখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ফেদরেসন ওফ মিজোরাম গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ীজ এন্দ ৱার্করস (এফ এম জি ঈ দব্লিউ) কী প্রসিদেন্ট ভানলাল্টলানানা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট অদুদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ইমপ্লোয়ী এসোসিয়েসনশিংগী মীফম অমা ঙরাং ফন্নবা মতুং নোংমগী তলব দোনেট তৌনবা খন্নখিবনি।

এফ এম জি ঈ দব্লিউ অসি মিজোরামদা লৈবা তোঙান তোঙানবা গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ী এসোসিয়েসন ১০০ রোমগী অপূনবা ফেদরেসন অমনি। ষ্টেট অদুগী চীফ ইঞ্জিনিয়রসু ওইরিবা এফ এম জি ঈ দব্লিউগী প্রসিদেন্ট ভানলাল্টলানানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ীশিংগী নোংমগী ওইবা তলব দোনেট তৌবদা য়ানখ্রবসু কন্ত্রেকতা থবক তৌরিবা মীওইশিং অমদি মাষ্টররোল ইমপ্লোয়শিংগী ওইনদি হায়রিবা অসিদা কোমথোক্কনি।

ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শন্দোরক্লিবা অসি গভর্ণমেন্ট খক্তা হোৎনরগা থিংবা ঙম্লোই। লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়াম্নসু গভর্ণমেন্টনা হোৎনরিবা অসিদা অহেনবা মতেং পাংশিনগদবনি। গভর্ণমেন্টকী থবক থৌরমশিংদা মতেং পাংবা ওইনা অমদি কোভিদ-১৯ শন্দোকপা থিংনবা পান্দমদা ইমপ্লোয়শিংনা নোংমগী তলব দোনেট তৌনবা ফিরেপ লৌখিবনি হায়রি।

অমরোমদা এফ এম জি ঈ দব্লিউগী মেম্বর খুদিংমক্না মখোয়গী নোংমগী তলব দোনেট তৌনবা ফিরেপ লৌখিবা অদুবু মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টর জোরামথাঙানা থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ঈকায়খুম্নবা উৎলক্লি। মিজোরামগী কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সকী ৱাঙাঙলোয় ডোক্তর পাচাওনা মমাং চহীদা কোভিদ-১৯ মায়োক য়ানবা হোৎনবদা লুপা ক্রোর ৫৬.১০ চাদিং তৌখি হায়রি।

## EMPLOYMENT NEWS

Punjab SSSB Recruitment 2021 – PSSSB Recruitment 2021 Apply Online sssb.punjab.gov.in: Subordinate Service Selection Board Punjab Government (PSSSB) invites online applications for recruitment of Junior Draftsman, Revenue Patwari, Zilladar and Irrigation Booking Clerk posts. The last date for submission of online applications is 18th February 2021 (For Advt No.01/2021) and 25th February 2021 (For Advt No. 02/2021).

ADVERTISEMENT NO. 01/2021:
Name of Post
No of Vacancies
Patwari (Revenue) in Dept. of Revenue
1090
Irrigation Booking Clerk (Patwari) in PWRMDC
26
Zilladars in Dept. of Water Resources
32
Zilladars in PWRMDC
04

ADVERTISEMENT NO. 02/2021:
Name of Post
No of Vacancies
Junior Draftsman (Civil)
529
Junior Draftsman (Mechanical)
13
Junior Draftsman (Architecture)
05

Age Limit: 18 to 37 years as on 1st January 2021. For Reserved category Maximum Age as 42 years for OBC and 45 years for SC / ST.

Consolidated Pays:
Patwari (Revenue): ? 19900/- per month
Zilladars: ? 35,400/- per month
Junior Draftsman: ? 25,500/- per month

Educational Qualifications:
Patwari: Bachelor’s degree in any discipline. Possesses at least 120 Hours’ Course with working experience in the use of Personal Computer or Information Technology in Office Productivity Applications orcDesktop Publishing Applications from a recognized institution or a reputed institution, which is ISO 9001 certified; OR Possesses at least 120 Hours’ working experience in Computer Applications from a recognized institution or a Certificate of ‘O’ Level from the Department of Electronic Accreditation of Computer Course (in short DOEACC). He must have passed matriculation with Punjabi as one of the subject or its equivalent level.
Zilladars: Having passed a Bachelor's Degree Examination or Equivalent from a recognised University/ Institute with Second Division.
Junior Draftsman (Civil): Minimum Matriculation Examination Passed with Punjabi as one o the subjects and Should possess 02 years certificate of Draftsman Civil / Mechanical / Architecture from an Industrial Training Institute (ITI).

Selection Process:
Written Test
Interview

Application Fee:
250/- for SC / BC / EWS Category candidates
200/- for Ex-serviceman & Dependent candidates
500/- for Physical Handicapped (PWD) candidates.
1000/- for General category candidates.
The fee can be made through online payment mode using Net Banking/ Credit Card/ Debit Card.

How to Apply: Eligible candidates apply online only @ SSSB Punjab online application portal. The last date for registration of online applications is 18/02/2021 (For Advt No.01/2021) and 25/02/2021 (For Advt No. 02/2021) up to 5:00 PM

---

Tamilnadu Government Judicial Department has published recruitment notification for filling up 3557 vacancies of Office Assistant / Copyist Attender / Scavenger/ Sweeper/ Sanitary Worker/ Masalchi/ Sweeper/ Gardener/ Watchman/ Scavenger/ Waterman & Water women/ Night watchman-cum-Masalchi/ Watchman-cum-Masalchi/ Night watchman/ Sweeper cum Cleaner/ Office Assistant cum full time Watchman posts for various Tamil Nadu Judicial Courts. Eligible Interested candidates apply online through jrchcm.onlineregistrationform.org portal on or before 6th June 2021.

Name of the Post
Total Vacancies
Office Assistant
1912
Watchman
496
Masalchi
485
Sweeper
214
Night Watchman
186
Sanitary Worker
110
Night Watchman cum Masalchi
123
Gardner
28
Copyist Attender
03

Age Limit: (As on 01/07/2021)
18 - 30 years for General (UR)
18 - 32 years for BC / MBC
18 - 35 years for SC / ST

Vacancy Districts: Ariyalur, Chennai, Coimbatore, Cuddalore, Dharmapuri, Dindigul, Erode, Kancheepuram (including Chengalpattu district), Kanniyakumari, Karur, Krishnagiri, Madurai, Nagapattinam (including Mayiladuthurai district), Namakkal, Perambalur, Pudukkottai, Ramanathapuram, Salem, Sivagangai, Thanjavur, The Nilgiris, Theni, Tirunelveli (including Tenkasi district), Tiruvallur, Tiruvarur, Thoothukudi, Tiruchirappalli, Tiruppur, Tiruvannamalai, Vellore (including Ranipet & Tirupattur districts), Villupuram (including Kallakurichi district) and Virudhunagar.

Pay Scale / Monthly Remuneration: Level – 1 ? 15,700 – 50,000

Educational Qualifications:
Office Assistant and Copyist Attender: Minimum VIII standard Pass. Matric also eligible.
For all other posts: To able to Read and Write Tamil Language. No minimum educational qualification.

Selection Process:
Written Test
Interview

Application Fee:
500/- for General / OBC / MBC category candidates.
No fee for SC / ST category candidates.

How to Apply: Eligible candidates should apply online only. Applications submitted through jrchcm.onlineregistrationform.org or concerned district court official website. The candidates are advised to make use of Only Desktop or Laptop to apply for the posts online and not to apply through smart phone or tab. The last date for registration of online applications is 06/06/2021.

